## লোকেন্দ্রো ইন্দিয়া টিমগী এসিস্টেন্ট কোচ খল্লক্লে



ইম্ফাল, জুলাই ১৮ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ১১ দগী ১৯ ফাওবা থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা এসিয়ান য়ুঠ গালর্স ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪গী ইন্দিয়া টিমগী এসিস্টেন্ট কোচ ওইননবা ভোল্লিবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা এফ আই ভি বি লেবেল ৱান কোচ ওইরিবা মণিপুরগী লোকেন্দ্রো সিংহ খল্লক্লে। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক ইন্দিয়া টিম শেম্নবগী ট্রায়েল সেলেক্সন অমদি কোচিং কেম্প সাই সেন্টর ঔরঙ্গবাদতা থা অসিগী ২১ দগী ২২ ফাওবা অমদি ২৩ দগী ওক্টোবর ১০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ট্রায়েল সেলেক্সন অমদি কোচিং কেম্প অসিদা লোকেন্দ্রো সিংহনা কন্দক্ট তৌগনি।

## ডাঃ শান্তিকুমার ইন্দিয়াগী মেনেজর ওইরগনি



ইম্ফাল, জুলাই ১৮ঃ

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা থা অসিগী ২৩ দগী আগষ্ট ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা কমনৱেলঠ গেমস ২০১৪গী ইন্দিয়ান জিম্নাষ্টিক টিমগী মেনেজর ওইনা মণিপুরগী ডাঃ সনসম শান্তিকুমার সিংহ জিম্নাষ্টিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা খল্লক্লে। ডাঃ শান্তিকুমার ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরি। গ্লাসগোগীদমক থা অসিগী ২০ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মহাক্না ইন্দিয়ান টিমগী মেনেজর ওইনা খল্লকপদা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসননা হরাও নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

### ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# ৱেষ্টকা চুড়াচান্দপুরগা য়ু–১৪ গী, ৱেষ্টকা ইষ্টকা য়ু–১৭গী ফাইনেলদা থেংনরগনি




*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিল্লমনি ইংলিশ স্কুলগা চুড়াচান্দপুরগী তৈশাং জুনিয়র হায় স্কুলগা চহী ১৪ মখাগী ফাইনেলদা অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী এফ্রোস এ হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাবৈশোই অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী সি ঐচ থঙ্গৌমচা হায় স্কুলগা চহী ১৭ মখাগী ফাইনেলদা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ অমসুং ৮.৩০ তাবা মতমদা আর্টিফিসেল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নরগনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ দগী হৌদুনা খুমন লম্পাক ফুটবোল প্রেক্টিস ফিল্ড অমদি আর্টিফিসেল টর্ফতা চখরক্লিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি প্রেক্টিস ফিল্ডদা শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিল্লমনি ইংলিশ স্কুলনা থৌবালগী লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ্ফকী শরুক্তা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদ্রবসু অনীশুবা হাফ্ফকী অনীশুবা মিনিট (৩২) দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সি ঐচ কমান্দরনা ফ্রি কিক্তা গোল অমা চন্দুনা মায় পাক্নবগী লম্বীদা চঙশিনবা হৌখি। মিনিট ৪ লৈরবা মতুংদা ৱেষ্টকী আর কে সিনিবাসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। থৌবালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে দিক্ষুনা ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী লানসিঙমদা রেফরিনা ৬৩ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চুড়াচান্দপুরগী তৈশাং জুনিয়র হায় স্কুলনা ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাই হায় স্কুলবু গোল ৪–২ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। চুড়াচান্দপুরগী গোলশিং অদু পাউরিনথাংনা ৪৭ অমদি ৪৯ শুবা মিনিটতা অনী, থাংমিলিয়ন অমদি লুনজুৱেননা ২৩ অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখি। ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদুনা তোন্দোনবা অমদি রিসিকান্তনা ১৪ অমসুং ৫০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী জোনদা রেফরিনা ৩৯ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

আর্টিফিসেল টর্ফতা শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টকী এফ্রোস (এ) হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাবৈশোইনা চান্দেলগী থানি মেমোরিয়েল ট্রেনিং স্কুলবু গোল ৫–০ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু য়াসিরনা ৫২ অমদি ৫৪ শুবা মিনিটতা অনী, সিরাজ, থাঙম লাংখম অমদি লাললিয়োনা মথংশিংনা ২, ২৮ অমসুং ৫৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সি ঐচ থঙ্গৌমচা হায় স্কুলনা বিষ্ণুপুরগী কুম্বী গভর্নমেন্ট হায় স্কুলবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায় পাকপগী গোল অনীমক অদু লৈবাকচাওনা ৫২ অমদি ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। বিষ্ণুপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ও রিসিকান্তনা ৪০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী লৈবাকচাও অমদি এল অজয়দা রেফরিনা ৬০ অমদি ৬২ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টসকী কম্মীস্নার আর কে নিমাই সিংহ অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর এন অশোককুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েঙ্গেক্লনি।

# স্পেনগী ষ্ট্রাইকর দিএগো কোস্তা চেলসিদা শান্নরগনি

*লন্দন, জুলাই ১৮ঃ* মমাংদা স্পেনিস লীগকী টিম অমা ওইরিবা এথলেটিকো মেদ্রিদা শান্নরম্বা স্পেনগী ষ্ট্রাইকর দিএগো কোস্তা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টিম অমা ওইরিবা চেলসিগা চহী মঙাগী সাইন তৌনখ্রে। মমাংগী সিজনদা গোল ৩৫ চন্দুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবা কোস্তা সিজন অসিদা চেলসিগী ষ্ট্রাইকর ওইনা উবা ফংলগনি হায়নন চেলসিনা মহাক অসি পাউন্দ মিলিয়ন পাউন্দ (য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৫৫, য়ুরো মিলিয়ন ৪০) দা য়ান্নদুনা ট্রান্সফর তৌরকখিবনি।

মহাক্না য়াওরিঙৈ মতমদা এথলেটিকো মেদ্রিদনা স্পেনিস লীগকী টাইতল লৌখি অমসুং চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। মখোয়না চেম্পিয়ন্স লীগকী সেমি ফাইনেলদা চেলসিবু মায়থীবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙখি অদুবু ফাইনেলদা মখোয়গী রাইভেল ওইরিবা রিয়েল মেদ্রিদকী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

কোস্তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী ব্রাজিল ৱার্ল্ড কপ অদুদা ব্রাজিলগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবগী মহুৎতা মহাক্কী মমালৈবাক স্পেনগী ওইনা শরুক য়াবা পামখি। লাইবক থিবদি মমাংগী চেম্পিয়ন স্পেন অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অদুদগী মপান থোককখি। মহাক্না চেলসিদা শান্নবা ফংবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি। মমিং লৈরবা ইঙলেন্দগী ক্লব অসিগী কোচ অমদি টিমমেটশিংগা শান্নবা ফংবা অসিদা য়াম্না নুংঙাই লোয়ননা লাক্কদৌরিবা সিজন অসিদা টিম অসিনা ট্রোফি কয়া লৌবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।



মমাংগী সিজনদা স্পেনিস লীগতা গোল ৩৫ চনখিবা এথলেটিকোগী ষ্ট্রাইকর দিএগো কোস্তা

# রোবিনসন, ঙাম্হোইবা, ও মেমথোইনা কেরোমগী ৱিন্নর ওইখ্রে






*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ঃ* ঐচ রোবিনসন, এল ঙাম্হোইবা অমদি ও মেমথোই দেবীনা অনীশুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী সব জুনিয়র বোইজ, জুনিয়র বোইজ অমদি ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিয়েসন অমদি নিয়ু এজ ক্লব শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ঐচ রোবিনসননা এস জেমসবোন্দবু ২১–০, ১৪–৩ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইখিবনি। অহুমশুবা পোজিসনগী শান্নখিবা মেটচতা এস জয়চন্দ্রনা অতল সাইখোম্বু ২১–১০, ২১–১৫ দা মায়থীবা পীখি। জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এল ঙানথোইবনা কে ননাওবু ১৩–১১, ১৬–২ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইখিবনি। অহুমশুবা পোজিসনগী শান্নখিবা মেটচতা জি সুপসননা অটল সাইখোম্বু ২৩–১৪, ১৫–১৩ দা মায়থীবা পীখি।

রাউন্দ রোবিন লীগ বেসিস্তা শান্নখিবা ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী ৱিন্নরনা ও মেমথোই দেবী, রন্নরনা ও রেবিকা দেবী অমদি অহুমশুবা পোজিসননা জি মালা দেবীনা তাখি।

মেন্স সিঙ্গলসকী শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা এল রাকেশনা অরুন কোন্সম্বু ২৪–১, ২১–২৫, ২৪–২০ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২০ দা লোয়শিল্লগনি। থৌরম অসিদা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু)গী হান্নগী প্রসিদেন্ট এম কুঞ্জবী, নিয়ু এজ ক্লবকী প্রসিদেন্ট আর কে সচিদানন্দা সিংহ, কাউগী এ গৌতম শর্ম্ম, রিমসকী ডাঃ বিক্রমজিৎ সিংহ এন এ সিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল বিপিনকুমার শর্ম্ম অমদি ওল মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চন্দ্র সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েঙ্গেক্লনি।

# অম্ফাগী বাই ইলেক্সনগী ভোটর লিষ্ট ফোঙখ্রে

*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মপুং ফাবা প্রসিদেন্ট অমা খননবগী আগষ্ট ১০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সনদা ভোট থাদগদবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী রিপ্রজেন্টেটিবশিং ঙসি অম্ফাগী সেক্রেটরিনা ফোঙখ্রে।

মীখল অসিদা পুন্না মীওই ৮৬ না ভোট থাদবগী রাইট লৈগনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিং, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চুড়াচান্দপুর, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন সদর হিলস, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন সেনাপতি, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুর অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন উখ্রুলদগী মীওই ৮ / ৮, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন তামেংলোংদগী মীওই ৭ / ৭ নি।













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*